ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯱꯴, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯴꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ওগষ্ট ১৪, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৪০শুবা মশীং

দ্রাফ্ট ইনভাইরনমেন্টেল ইম্পেক্ট এসেসমেন্ট

অৱাং-নোংপোক লমদমদা অচৌবা চৈথেং পীরকপা য়ানা লৈরে

মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা হন্দক্তা দ্রাফ্ট ইনভাইরনমেন্টেল ইম্পেক্ট এসেসমেন্ট (ঈ আই এ)গী নোটিফিকেসন ২০২০ থোকখ্রে। অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ অমসুং মহৌশাগী খল কায়হন্দনবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিংনা দ্রাফ্ট নোটিফিকেসন অসিবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্নরক্লি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি দ্রাফ্ট নোটিফিকেসন অসিদা অঙ্গৈং-অশাগী খল কায়হন্দনা থম্লবগী ৱাফম য়াওদ্রে হায়বগীদমক্তনি। গ্লোবেলাইজেসন অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী মিংদা মীওইবনা ইনভাইরনমেন্টতা অকায়বা থোকহনবা য়াবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লি। মদুনা মরম ওইরগা মীওইবগী হকশেলদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লি। মীওইবনা মশা-মউ ফনা অমসুং পূন্সি নুংশাংনা হিংনবগীদমক নুংশিৎ, লৈবাক লৈহাও অমসুং ঈশিং মোৎহন্দনা থম্বা য়াম্নমক তঙাইফদে। মীওইবনা মহৌশা ইমাগী মপাল তাংলগা হিংলিবনি। মালেমদা মীওইবা খুন্নাই লৈরমদবা তারবদি অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ অমসুং মহৌশাগী ফীভমদা করিগুম্বা মখলগী অহোংবা অমত্তা লৈরম্লোই। অমরোমদা মীওইবদি মহৌশাগী মতেং অমত্তা য়াওদনা মীৎকুপ অমা ফাওবা হিংবা ঙমদে। উ-ৱা, ঈশিং-নুংশিৎ, শা-উচেক অমসুং তীল-কাঙনচিংবা পূম্নমক মীওইবদা অচৌবা মতেং পাংলিবনি হায়বসি মীওই অয়াম্বনা খঙনদবগুম তৌরি। উমংনসু মীওইবদা অচৌবা মতেং পাংলি। নোংজু-নুংশা, তুরেলগী ঈচেল, অঙ্গৈং-অশাগী খল অমসুং কার্বোনগী চাং হেনগৎহন্দবদা উমংনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। মসিদসু নৎতনা হীদাক কান্নরবা পান্থী মখল লিশিং কয়ামরুম উমংদা হৌরি। মরম অদুনা অকোয়বগী ফীভম অমসুং মহৌশাগী খল কায়হন্দনবা মওংদা ইনভাইরনমেন্টেল ইম্পেক্ট এসেসমেন্ট শেম শাবা য়াম্নমক তঙাইফদে। নুমীৎ খূদিংগী উমং কোকথোকপা, ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা, ৱাটর বোদিশিং মাঙশিল্লকপা অমসুং তুরেলগী ঈচেল কংশিল্লকপনা ইনভাইরনমেন্ট অমসুং মীওইবগী হকশেলদা অকনবা শাফূ অমা পীরক্লে।

মহৌশাগী খল কায়রকপগা লোয়ননা নোংজু-নুংশাগী ফীভমদা চাউনা অহোংবা লাক্লে অমসুং নোংমা-নোংমগী ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লক্লে হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। নোংজু থাদা নোং চুদ্রগা মতম নৎতবদা নোং কন্না চুবদগী ঈচাউ থোকপা, কালেন থাদা কা-হেন্না শারগা নিংথম থাদা কা-হেন্না ঈংবা অমসুং মফম অয়াম্বদা হীট ৱেভ নৎত্রগা কোল্ড ৱেভ থোকপগী থৌওং তোয়না থেংনরি। লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদদি কা-হেন্না নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা মরম্না অর্টিফিসিয়ল ওক্সিজেন বুথ হাংদোকপগী তঙাইফদবা ফীভম ফাওবা লাক্লে। মখল অমত্তগী ইন্দষ্ট্রি অমসুং ফেক্টরি লৈত্রিঙৈগী মতমগা চাংদম্নবদা হৌজিক অঙ্গৈং-অশাগী খলদা চাউনা অহোংবা লাক্লে। মীওইবনা শীং মৈ থাবা, উমং কোকথোকপা, ইন্দষ্ট্রি কয়া লিংখৎলকপা, খুঙ্গংগী লমদম কয়া সিটি ওন্থোরকপা অমসুং গাড়ী থৌবগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা নুংশিৎতা য়াওবা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং হেনগৎলকপনি হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, মীওইবনা তুংদা থোরকপা য়াবা খূদোংথিবশিংগী ৱাফম থোইদোক্লা খন্থরুবা তৌদনা মহৌশাগী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি। অঙ্গৈং-অশাগী খল কায়রকপনা ইন্দিয়াদা লাক্কদৌরিবা চহী ৮০গী মনুংদা খূদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা হীট ৱেভ অমসুং ঈচাউ কয়ামরুম তোয়না থোরক্লগনি। খূদক্তা গ্রীন হাউস গ্যাস থাদোকপগী চাং হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎহৌদবা তারবদি ২১শুবা চহীচা লোইশিল্লকপদা উনগী চীং মহী লাঙথোরক্তুনা ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিল্লগনি। য়াম্না তোয়না হীট ৱেভ অমদি কোল্ড ৱেভ থোকপগা লোয়ননা নোংজুগী চাংদা তম্বা ঙমদবা ফীভম অমা লাক্লগনি হায়রি। মহৌশা ইমাগী মতীক-ময়াই অসুক্কী মতীক কল্লি হায়বা মীওই অয়াম্বনা থৌশানদবগী মওং অমা উবা ফংলি। হৌজিক-হৌজিক ইশামক্কী মায়দা ইশাগী খূৎনা তোয়না শোক্কনু, মীওইবা মশেল তোঙান-তোঙান্না লৈয়ু অমসুং ইমুং অমদা লৈমিন্নরিবা মীওইশিং ফাওবা পূন্না লৈমিন্নগনু হায়বা ৱাফম অমা লাক্লিবসি মহৌশা ইমাগী ইচম-চম্বা মতীক ময়াই খরা উৎথোরকপনি হায়না লৌবা য়াই। পূম্নমক অসি কুপ্না য়েংশিল্লগা ইনভাইরনমেন্ট ইম্পেক্ট এসেসমেন্ট শেম্বা কান্নগনি খল্লি।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

হৌখ্রবদি হৌখ্রে চেকশিনমিন্নসি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মীওইবনা হিংনবগী পুন্সি লম্বীদা অৱা-নুংঙাই হায়বসু লৈরি, চরা নাম্মতং চাদুনা ইমুং-মনুং অনা-অয়েক য়াওদনা, পুকচেল তিন্ননা অমগা-অমগা অরৈ লৈতা তানদুনা হিংমিন্নবা অসিনা নুংঙাইবা ইমুং হায়বদু ওইগদ্রা খঞ্জে। মসিদা শেল ফনা পায়দুনসু, ইনাকখুনবা ফনা ওইদুনসু ইমুংদুদা অনা-অয়েক্তা লোয়নরবা, কাঞ্চদা লিন চঙবগুম অমগা-অমগা ৱাখল মান্নদ্রবা অদুগুম্বা ইমুংনা করম্না নুংঙাইবা ইমুংনি হায়গনি। অদুনা ইমুং-মনুংগীতা নত্তনা মচা-মশু ঙাওশিন-ফৈজিন্নবগী, অরোন-অথুপকী মীৱা-মৈশা লাংবনা ঙাইহাক্তা লৈতাফম খঙদবা ইমুংসু অদুম য়াওরমগনি। অদুনা অমবু ওইরো অমবু ওইরো মী অমবু কনগে খন্থদবা, ইশা নাম্থোক্লগা লোইরে খনবা মীওই কয়াসু লৈতবা নত্তে। ঙসি ঙসিমক তমথীরবা লায়না কোভিদ-১৯না থৌবু ওইদুনা অকিবগী পোৎলুম্না মীপূম খুদিংগী থম্মোয়দা তনিক্লা লৈনদবদি নতে। অদুবু মীওইবা খুদিংমক অশিবগী খয়াৎতা নোংমদি শোয়দনা তাখিগদবা ঙাক্তনি। অশিবগী মখা পোন্না লৈনরিবা, হিংনরিবা মীওইবনা শিবগী পুংফম ঙাইনরিঙৈ ঐগী-মাগী হায়বা পুকচেল খোইনরকপা য়াওদবসু নত্তে। চিরবা তানফম অসিদা হোস্পিটাল কয়ানা কোভিদ-১৯গী মতেং লৌদুনা অনাবা অকনবা নুপী ওইবীগী লাইবক লেপকদবা অঙাং উনবা লাকপদা ডোক্টরশিংনা লায়েংবীদবনা লৈখিদবগী মপাউ কয়া তারুরগা কনাগী থম্মোয়না নুংঙাইরমগনি। অসিগুম্বসিনা লায়েংনদবগী চৎনবী অমা ওইখিদুনা অৱাবা ওইরক্কনি খঞ্জে। কোভিদ লাইচৎনা শাথীরবসু ডোক্তর অমদি নর্স হায়বসিদি অনা অয়েক্কী থৌগলগীদমক কত্থোকখ্রবনি হায়নবা লৈ। অদুবু কোভিদকী লায়নাদা অনাবশিংবু শেন্নদুনা লায়েংলিবা ডোক্টর, নর্সকী থৌরম শিন্থা উরুরগা থাগৎতবসু ঙমজদে। মখোয়না কিরবা লাইচৎকী অনাবা মরক্তা ডোক্টর অমা ওইনা নর্সকা চাউরবা থৌদাং লৌদুনা লায়েংলি। মসিদা পোজিটিভ ওইবা ডোক্টর, নর্স কয়াসু য়াওনখ্রে, মীয়ামগী কৎথোকপদা। অদুবু অসিগুম্বা লায়েংশিংদা থৌদাং লৌরিবা ডোক্টর, নর্স খরগী থৌওংনা চাক চগ্রিং অমনা চেঙকোক অমা মাঙথোকপগুম মীশিংগী পূক্লিংদা নুংঙাইতবদি ফাওহন্দবা নত্তে। অদুনা অকনবা অনাবা অমা ডোক্টর য়েংলগা ফগদ্রা খঞ্জদুনা লাকচবদা কোভিদ লায়না চেল্লমগনি খন্দুনা লায়েংবীদবা তারগদি অনাবদি কনানা লায়েংগনি? মদোম ৱানা শিজবা তাৱা? লায়না পকপা পক্তবা লায়েংবা লাক্লিবা অনাববু ডোক্টর, নর্সনা চেকশিন্না য়েংবীদুনা অঙন্বা মতেং পাংবীরগদি মখোয়গী মপূক্লিংদা শাউনীংবা, পেন্দবা লৈরোই। খঙহৌদনা খুদক্তা ইমর্জেন্সি ওইবা অনাবা অমা পুরকপদা করম্না, কদাইদগী, খুদক্তা টেষ্টকী চে লৌরুনি। অনাববু ডোক্টরশিংনা ফার্ষ্ট এইদ পীবীরবা মতুংদা কোন্না কোভিদ টেষ্ট তৌবা নত্তনা মসিদা খুদক্কী ওইবা চেকশিন থৌরাংদি হোস্পিটালদা লৈবিরিবশিংনা তৌবীফম থোকপ্রা খল্লি। লৈঙাক মপুনসু রিমস নৎত্রগা জেনিমস হোস্পিটাল অনীগী মরক্তা অমত্তং খনবীরগা কোভিদকীদা নত্তনা মীয়ামগী অথু-অকায় অনাবা কয়াগী লায়েংফম তোঙান্না থম্বীরবদি থোইদোক্না অৱা মৈশা লাংলম্লোই খঞ্জে অদুবু হৌখ্রবদি হৌখ্রে চেকশিনমিন্নসি।

অদোমগী - তবানু খুরাইজম, ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়

অযোধ্যাদা রামগী লাইশঙ শাবা হৌনবা উরেপ তমখিবা

অওনবা মালেম

সৌবাম তোম্বা লুৱাং

অযোধ্যাদা রামগী লাইশঙ শানবা উরেপ উয়ুং তমখ্রে। পামদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্কদ্রা হায়না খন্নরুই। অদুবু মদুমক্তি থোকখিদ্রে। মসিমক্তি য়াম্না লাইবক ফবনি। তশেংনা হায়রবদি লাইশঙ অমা শাবদা পামদবা থৌদোক থোকফমদি থোক্তবনি। লাইশঙ হায়বসি পামদবা থৌদোক, ঈরাং শাগৎনবা, হাৎন-শুনবগী মফম অমদি নত্তে। নুংশিনবা, চান্নবা, পুন্সিবু মশক খঙনা হিংবা ঙম্নবা, ঙাকপীবা, তাইবঙ মপু মাগী নুংশিবা পাউজেল কয়া শন্দোক্লবা মফম অমনি লাইশঙ হায়বসি। অদুবু লাইশঙ হায়বসি করিগুম্বা মতমদা য়ানদবা ৱাফম লৈতবমক্তি নত্তে। লাইশঙগা লাইনীংগা মরী লৈনৈ। অনী অসিগা ফুরুপকা অমুক মরী লৈনৈ। মসিগীসু মথক্তা থাজনবা হায়বা অমগা অমুক ঈচেল ওইনা চেনবা অসিনি। মসিগুম্বা ফীভম অসি য়াওরকপা মতমদা মীওইবা মশেলগী উংখৎনবা, পামদবা থৌদোক-ৱাথোক থোক্লবগী মচাক ওইরকই।

লৈবাক মীয়াম্না হেন্না খঙনরে অযোধ্যাদা রামগী লাইশঙ অমা শাবগী মতাংদা চয়েৎনরিবা, পামদবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ, থৌদোক-ৱাথোক কয়া থোকখিবদু। লৈবাক অসিগী মীয়ামখক্তা নত্তে মালেমগী লৈবাক পূম্বনা খঙনরে, উবা ফংনরে। শাংলবা চহী কয়াগী ৱাথোকনি থোক্লিবদু। তশেংনা হায়রবদি অযোধ্যাদা রামগী লাইশঙ শাবগী থোক্লিবা চাউরবা ৱাথোক অসি লমগী ৱাথোকনি। শম্না হায়রবদা মফমদু নাকল অনীনা মাগী লমনি, নখোয়গী নত্তে হায়বগী য়েৎনরকপনি। নাকল অনীদু মান্নদবা লাইনীং লম্বী অনী চৎপা ফুরুপ অনীনি, হিন্দু অমদি মুসলিম। ফুরুপ অনীসি লৈবাক অসিদা লৈবা ঙাক্তেনি। মীগী মশীং য়াম্বদসু লৈবাক অসিদা অহানবা অমদি অনীশুবদা লৈরিবনি। অযোধ্যা হায়রিবা মফম অসিদসু ফুরুপ অনী অসি লোইনা লৈরি। হিন্দুশিংনা অযোধ্যা হায়রিবা মফম অসি রামগী হেক পোকখিবা মফম অমনি হায়রিবনি। অদুনা মফম অসি হিন্দুশিংগী শেংলবা মফমনি। মালেম শিনবা থুংনা মমিং লৈরবা রমায়ন হায়বা ৱারী অদুগী মরুওইবা মফম অমসু অযোধ্যা হায়বসিনা ওইরিবনি। অয়াম্বা হিন্দুশিংনা মখোয়গী অথোয়বা লাই অমা হায়বা তারবদি রাম হায়বা অসিনি। মসিনা মরম ওইরগা মহাকপু পোকপা মফম ওইরিবা অযোধ্যাদা মীয়াম্না খুরুম্বা ঙম্নবা অচৌবা লাইশঙ অমা শাবা পাম্বনি। অদুবু মশাগী লৈবাক ওইরবসু, মীশিংসু মখোয়না হেল্লবসু অযোধ্যাদা বাব্রি মসজিদ কৌবা মুসলিমগী লাইশঙ অমদা শাদুনা লৈবা অসিদগী রামগী লাইশঙ অদু শাবা য়াদ্রে, অয়ৌবী থাক্তা য়েৎনরে, চিনগী লান তৌনরে। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েলশঙ সুপ্রিম কোর্ট য়ৌনরে। অয়ৌবী থাক্তা হোৎনবনি। হিন্দুশিংনা শাউবসি অতৈগী নত্তে মশামক্কী লৈবাক্তা মশাগী লাইনীংগা মরী লৈনজবা অদুগা মরী লৈনবা মফমদুমক্তদা লাইশঙ অমা শাজগে হায়বদা অয়েৎপা পীরকপা অসিনি। মসিদা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ফুরুপ অসিনা মীয়াম মমাঙদা ইকায়-নুংশি য়ান্নবা ফাওবা অসিনি।

হৌজিক্তি মীয়ামদা পাউজেল অমা পীগে মদুদি ফুরুপ কয়া লাইনীং কয়া চয়েৎনরক্কদবা মফমদা লাইনীংগী ওইবা লাইশঙ শাজিনবা ফত্তে হায়বসিনি। সুপ্রিম কোর্টনা অযোধ্যাদা রামগী লাইশঙ শাবা য়ানবগী ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা হিন্দুশিংনা পামজবা লাইশঙ অদু শাবা হৌনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংদুনা উরেপ তমখ্রে। অযোধ্যাদা লৈবা বাব্রি মসজিদ অদু রামগী পোক্লফম লমদম অদুদা শাজিনখিবনি হায়বদু তাক্লে। অদুবু সুপ্রিম কোর্টনা মুসলিম ফুরুপকীসু মসজিদ অমা অতোপ্পা মফম অমদা শানবা একর মঙা চাউবা লম অমা পীখ্রে। অযোধ্যাদা রামগী লাইশঙ শাবদি লায়রদুনা শাবা য়ানি-য়ারোই হায়দুনা য়েৎনবা লৈরিঙৈদা মীশি-মীনা য়াওবা ৱাথোক থৌদোক কয়া থোকখি। অদুবু কোর্টকী ৱায়েল অসি লাক্লবা মতুংদা লাইশঙ শাবগী প্রাইম মিনিষ্টরনা উরেপ তমখ্রবা মতুং অসিদদি য়ানদবগী মীশি-মীনা য়াওবা থৌদোক-ৱাথোক অমত্তা য়াওখিদ্রে। মসিনা তাকপদি অরোয়বা ৱায়েল অসি অচুম্বা ওইবদুননি হায়বসিননি। শম্না হায়রবদা নাকল অনীমক পূক্লিং লান য়াওদ্রে হায়বা তাবনি। ৱায়েল অসিগী মায়োক্তা অনৌবা ৱাকৎ অমমুক নৌনা থাঙ্গৎলক্ত্রে। পূক্লিংগী ওইবা পেন্দবমক্তি লৈরম্বসু য়াই। করিগুম্বা লৈরগসু মদুদি তাইবঙ মীওইবগী হৌনশানি হায়বা তাই। অমরোমদা অরোইবা ৱায়েল অসি লাকখিবদু অতেনবা মতমগী মনুংদা নত্তে। শাংলবা চহী কয়া খুদম-চাংদম কয়া পুথোক্লদুনা ৱায়েলশঙদা য়েৎনরক্লিবনি। শম্না হায়রবদা ৱাথোক অসিগী মতাংদা য়াম্না মুন্না, কূপ্না খন্ন-নৈনদুনা, য়েৎনদুনা অরোইবা ৱায়েল অমা লাকপা ঙমখিবনি। মীশিং য়াম্বা খূৎকন পাঙ্গনবা মায়কৈদা য়েংলগা হাথু-হাথু পীখিবা ৱায়েল অমদি নৎত্রে। খুদম চাংদম কয়া পুথোক্লদুনা অচুম্বা/অরানবা করিনো হায়বদু য়েৎনবা/য়েংনবদা মখা তানা পুথোক্লনীংঙাই অমদি য়েৎননীংঙাই লৈরক্তবগী থাক অদু হেন্দোকখ্রবনি। মীশি-মীনা য়াওদবা, পামদবা থৌদোক থোকখিদবসিমদি য়াম্না ফৈ। মসিনা লৈবাক অসিদা তম্বীবা অচৌবা পারা অমা ওইরে। মতুংদা চয়েৎনরক্কদবা থবক তৌবা য়াদে হায়বা অমদি খঙনরে হন্দক্কী ৱায়েল অসিদগী। করিগুম্বা ৱায়েল অসি থেংথদুনা লৈবা তারবদি নুংশিনদবা, য়েংথীনবগী, ঐখোয়না চুম্মী, মখোয়না লাল্লি হায়বগী চয়েৎনবা অদুম লৈগনি। মদুনা লৈবাক অসিদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা ওইহল্লি।

লাইনীং লম্বীদা লাইশঙ শাবদা পোলিটিক্স অমুক য়াওশিল্লকপা অসিদনি অরুবা ফীভম হেক্তা ওইহল্লকপসি। তশেংনা হায়বা তারবদি লাইনীং লম্বী, লাইশঙ হায়বসিগা পোলিটিক্স অনীসিগা থোইদোক্না মরী লৈনদে। তুরেল অমগী তোর্ব্বান অনী অদুগুম্বনি কৈদৌঙৈদা তোর্ব্বান অনীদু অমত্তা ওইনা শম্নররোইদবা। করিগুম্বা তোর্ব্বান অনী অদুনা হেক শমজিন্নখিবদা কান্নরবা তুরেলগী ঈচেল অদু অমুক লৈররোই। পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা অযোধ্যাদা রামগী লাইশঙ শানবগী উরেপ প্রাইম মিনিষ্টর মশামক্না তম্বদা লৈবাক অসিদা সেক্যুলরিজম লৈত্রে, মাঙখ্রে হায়দুনা ৱাথোক অমমুক শাগৎলকই। মসিগী ৱাহন্থোক্তি প্রাইম মিনিষ্টর হায়বসিদি লৈবাক মীয়ামগী মপি-মপা ওইবনা করম্না লাইনীং অমগা মরী লৈনবা লাইশঙ অমা শাবগী উরেপ তল্লিবনো হায়বসিনি। সেক্যুলরিজম হায়বসিদদি লৈঙাক্লা লাইনিং অমত্তগী অসিগুম্বা থৌরম অমত্তদা য়াওবা ফত্তে হায়বসিনি। লাইনীং অমত্তদা মীচং মীখায় নাইবা হায়বা য়াদে হায়বদু লৈত্রে হায়বসিনি। উরেপ তম্বদা য়াওখ্রবনিনা লাইনীংদা মীচং-মীখায় নাইবা সেক্যুলরিজম চৎপা লৈবাক হায়বদু ওইদ্রে, হিন্দু লাইনীং চৎলবা লৈবাক অমা ওইরব্রা হায়বা ৱাহং অসিনি পোলিটিকেল পার্টি খরনা হংলক্লিবসি। অদুবু লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল পার্টি লোইনমক্লদি হংবা নত্তে। মীওই খরখক্তনা হংবা ৱাহংনি। অতোপ্পা ৱাহং অমমুক থোরক্লিবদি মসিনি। রাম লাইশঙ শানবা অযোধ্যাদা পীখিবা লম অদু য়ু পি গভর্ণমেন্টতনি। লন্নাই মীওই নৎত্রগা লূপ অমদা নত্তে। লাইশঙ শানবা ত্রষ্ট অমা শেম্মু হায়দুনা কোর্টনা হায়খিবদু য়ু পি গভর্ণমেন্টতনি। অদুনা য়ু পি গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদু থবক ওইনা পাঙথোক্তবা য়াদদুনা গভর্ণমেন্টকী তৌদবা য়াদবা থবক অমা ওইনা পাঙথোকপনি। উরেপ তম্বগী থৌরম অদু লন্নাই লূপনা পাঙথোকপা থৌরম অমা নৎত্রে, য়ু পি গভর্ণমেন্টনা তৌবনি। মসিনা তাকপদি উরেপ তম্বদু ওফিসল ওইরে হায়বনি। মদুদা প্রাইম মিনিষ্টরবু ওফিসল ওইনা য়াওনবা য়ু পি গভর্ণমেন্টনা হায়বদগী য়াওবনি। রামগী লাইশঙ অমা অযোধ্যাদা শাবগী থবক পায়খৎনবা সুপ্রিম কোর্টনা য়ু পি গভর্ণমেন্টতা মথৌ পীবদু সেক্যুলরিজমগা মরী লৈনফম থোক্তে। কোর্টনা পীরক্লিবা ৱায়েল অসি মায়কৈ পূম্নমক্তা মীচং চঙদবা অদুগা কন্সটিট্যুসন্দসু কায়দবা ৱায়েল অমনি। অদুনবু সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদুদা লম একর মঙা চাউবা অমা পীদুনা মুসলিমশিংগী মসজিদ অমা শানবা থবক পায়খৎলু হায়বা য়াথং য়ু পি গভর্ণমেন্টতা তাওথরিবদুনি। লাইনীং অনীমক্তা মান্নবা মীৎয়েং থল্লবনিনা সেক্যুলরিজম লৈত্রে হায়বদুগী ৱাহন্থোক য়াওদ্রে হায়বা য়ারে। অদুনবু পোলিটিকেল পার্টি কয়া, মীওই কয়া তুমিন্না অমুক লৈনখিবদুনি।

অহোংবা অমা লাকখিবসিদি মুগলশিংনা লৈবাক অসিদা লান্দারক্তুনা চহী কয়া খুদুম চনশিল্লগা লৈঙাক্তুনা লৈবা মতমদা মনীং মখা তম্না চয়েৎনরক্কদবা মফমদা মসজিদ কয়া শাজিনখিবা অদুদগীনি। মদুগী মনুং চন্না অযোধ্যাদা বাব্রি মসজিদ শাজিল্লম্বা অসিসু অমনি। ফুরুপ অমগীদি রামায়ন হায়বসি য়াম্না লুনা খঞ্জবা লাইনীংগী হৌরকফম অমা ওইরি। খৃষ্টানশিংগী জেরুসালিম, মুসলিমশিংগী মকা, বুধিজমগী গয়া হায়না লৈবগুম্না হিন্দুগীসু অযোধ্যা হায়বসি শেমগৎনীংবা মশানা তাবা ৱাফমনি। অযোধ্যাগী শেংলে হায়না খঙনজবা মফমদুদা বাব্রি মসজিদ শাজিন্দুনা থল্লম্বদু চুম্মী সেক্যুলরিজমনি হায়গদ্রা হায়বা ৱাফমসু মীয়াম্না, পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা হায়রিবনি। অযোধ্যাদা রাম মন্দির শাবা য়ারোই হায়রিবা পোলিটিকেল পার্টি, মীওইশিংদু সেক্যুলরিজম চৎলিবরা হায়বা ৱাহংসু লৈতবা নত্তে। লাইনীং অমগী মরী লৈনবা মফম অমদা অতোপ্পা লাইনীং অমগী ইথিল চঙবসি সেক্যুলরিজম ওইগদ্রা? মীখলদা ভোট ফংনবা হোৎনবদি চুমদে। রাম লাইশঙ শাবা ফৈ। ইন্দিয়াবু হিন্দু লৈবাক ওইনবা হোৎনবদি য়ানীংদে। রাম লাইশঙ শারগা হিন্দু লৈবাক হেক্তসু ওইরোই। ●

কোভিদ-১৯ মরক্তা ঙমখৈগী ৱাফম থোক্লক্কদৌরিব্রা?

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

লমদমসিনা কোভিদ-১৯গী পেন্দেমিক লায়না অকনবা মওংদা মায়োক্লবা লাক্লরিঙৈ, নৌহৌনা ইরমদম মণিপুরগী ঙমখৈ কনবগী ঈহৌ অমা'মুক লাক্কদৌরিব্রা? ঈহৌসিগীদমক্তি ইরমদমসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক, খঙনদবা অমত্তা য়াওদ্রবনি। মণিপুরগী অথৌবা-অথৌবী, য়েলহৌমী মীওই ১৮না মথ্বায়না পোন্থা ওইদুনা, অদুঙৈ কুমজা ২০০১গী জুন ১৮দা নাগালেন্দগী নাগা লালহৌবা এন এস সী এন (আই-এম) গী মখূত্তগী মণিপুরগী মীয়াম্না মণিপুরগী ঙমখৈ কনখ্রিবনি। থৌদৌসি মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইরিবা ঐখোয়না অমুক হন্না নীংশিংনরুদ্রবসু, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হেন্দোক্লা থোইনা চিনফা পুদুনা লৈরবা ৱাফমনি। মণিপুরগী পুৱারীদদা নত্তনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পুৱারীদসু সনাগী ময়েক্লা য়েক্তুনা লৈহৌরগদবা থৌদৌনি। মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংনা ইরমদমগী ঙমখৈ ঙাক্লবগীদমক অসুক চাউবা ঈহৌ হৌরক্কনি হায়বসিসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু মতমদুদা থাজখিদবনি। ফীভমসিদা হৌজিক মালেম থুংনা শন্দোক্লিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎসিনা, মরুওইনা ইন্দিয়া লৈবাকসিদা অসুক কন্না নৈরক্লিঙৈ চৈরকসিদা, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নাগালেন্দ ষ্টেটকী লালহৌলূপ এন এস সী এন (আই-এম) গা ৱারোইশিনগীদমক ৱারী মখা চত্থনরকপা হায়বসি কদায়দনো অমদি শোয়দনা অচেংবা য়েংবগী থৌদৌ ইয়াওদা য়াওরমগদৌবা মাল্লি। হীরমসিদা মণিপুরগী মীয়াম্নসু চিংনবা চাউনা লৈরিবনি। হন্দক্কী মতাংসিদা করিগুম্বদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা এন এস সী এন (আই-এম) গা ৱারোইশিন পুরক্লবা ৱারী শানবদা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী ইন্টরেষ্ট শোক্কদবা থৌদৌশিং য়াওরক্লবদি মণিপুরগী য়েলহৌমী মীয়াম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা অমুক হন্না ৱাকৎলুবগী মথৌ তাখিগদৌরিব্রা? মরমদি, মমাঙগী সেসনশিংদা হঞ্জিন-হঞ্জিন মণিপুরগী য়েলহৌমী মীয়ামগী ৱাফম লিশীংলক হন্না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা খঙহন্দুনতা লাকখ্রবনি। মখা তানা অমুক নৌহৌনা ৱাকৎলুবগী থৌদৌ থোইনা মথৌ তাদ্রবনি। অদুম ওইনমক, ইন্দিয়া লৈঙাক্তদি ৱাফমসি শোয়দনা অমুক হন্না নীংশিংলুবগী মথৌ তাগনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা থৌদৌসি অরায়বা থৌদৌ অমা নত্তে। মণিপুরগী মীয়ামগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা হীরমসিদা ৱাফম খরদংদি শোয়দনা থম্নদবা য়ারক্তবসু য়াই। লুরিবদি হৌজিকসি মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী পেন্দেমিক লায়নাসিনা ক্লাইমেক্স য়ৌরকপগী ফীভমদা কন্না নকশিল্লক্লি। ফীভমসিদা, মণিপুর ষ্টেটনা মীশিং য়ামজদবা ষ্টেটমচা অমা ওইবগা, কোভিদ-১৯গীদমক লৈঙাক্লা লাউথোক্লিবা এস ও পিশিং থুগায়দুনা ঈহৌ হৌরুবদা, কোভিদ-১৯না পন্দোন লোম্না খুদুম চনশিনখিদুনা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং পুমতুম তুমখিগদ্রা? নৎত্রগা লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯গী এস ও পিশিংনা লাকশিন্দুনা থল্লিঙৈদা, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুর ষ্টেটকী ৱাফম কান্থোক্লগা, লানহৌলূপ এন এস সী এন (আই-এম) গী ৱারোইশিন নমদুনা পুরকখিগদৌরিব্রা? থৌদৌসি ওইথোক্লক্লবদি, লালহৌলূপসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা মমাঙদা মণিপুর মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট শোক্কদবা ৱাফমশিং য়াওহল্লোইদবনি হায়নখিবদুনা কমদৌবা? ৱাফম খুদিংমকসি খোগোপ্পা য়াওশিন্দুনা লোইশিন্নখিরম্বা থোক্লগনা কৈদৌবা তাই? ৱাফমসিমক ওইরমদববুদি য়াই। অদুবু মমাঙঙৈগী থৌদৌ কয়ামরুম নীংশিংলুবদা মীপাইবা পোক্তবদি খক ঙমদ্রি। এন এস সী এন (আই-এম) অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক অনীনা হন্দক্তা দিল্লিদা ৱারোইশিনগীদমক নৌহৌনা ৱারী মখা চত্থনরগনি হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক মাঙজৌননা তানখ্রবা ঙাক্তনি। হীরমসিগী মতাংদা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীয়াম্না মমাঙদা এন এস সী এন (আই-এম) গী ৱারোইশিন পুরকপদা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা থমখিবা ৱারেপশিংদু নৌহৌনা নীংশিংলুখিবরা নৎত্রগা কমদৌবনো হায়বসি খঙনীংবা পোক্লকই। কোভিদ-১৯গী কল্লবা ফীভমসিদা এন এস সী এন (আই-এম) অমদি মখোয়গী খোঙবুশিংদি দিল্লিদা শোয়দনা চৎনরমগনি। ঐখোয়না কমদৌহৌরবনো হায়বসি খঙনীংলকপসু মশানা তাবনি। ঐখোয়গী মহৌশাগী ৱারেপশিংদুগী ফীভমসু মতাংসিদা ঐখোয় মশেন খঙনহৌবসু মথৌ তাব্রা খল্লি। হায়সু হায়বনি, ঐখোয়গী ষ্টেটসিগী ৱাথোক লান্থোকশিংগী থবকসি অসুক্কী মতিক য়াল্লি। লাংলিবা ঈরাংশিংসিগী মথক্তা ম্যান্মারগা তাইনবা লমখৈগী মতাংদা, চয়েৎনবা কয়ামরুমগী অশেংবা ফীভমশিংসু খঙদ্রি। ঙমখৈসিগী পরিংদনি, ইরমদমসিগী য়েলহৌমী অমদি মীতোপকী চয়েৎনবশিং চহী মশীং খঙদনা, খনফম খঙদনা লাক্লিবসি। ৱাফমসিগী মতাংদদি হৌজিকসু অরেপ্পা অমা ফাওবা খঙদ্রি। মতমদি নোংম-নোংমগী হৌখি। ম্যান্মারগী ঙমখৈ পরীংদা মীতোপ চঙলকপা থিংবগী থৌদৌশিং মওং তাদনা, থাশিং, কুমশিং খঙদনা লৈরক্লিবসি মণিপুরগী অশেংবা য়েলহৌমীশিংদদি কয়াগী মতিক কায়রমগনি? ৱাফমসি ঐখোয়গী লৈঙাকপশিং অমদি য়েলহৌমী মীয়ামগী পূক্লিংদা ফাওনরবা জাৎলা? ৱাফমসি তশেংনমক অঙকপা ৱাফম অমনি। অসিগুম্বা, মখল-মথেলগী ৱাথোক-লান্থোকশিংসিনা মতম চূপ্পদা ইরমদম মণিপুরসিবু কোয়শিন্দুনা থল্লি। ৱাফম অমমম নৈনবদা নুমিৎ মশীং খঙদনা চঙগদবা ৱাথোকশিংসি ইরমদম মণিপুরগী মরায়বক্তা খক্তা থোক্লিবসি করিগীনো? নৌহৌনা অনৌবা ৱাথোক কয়ামরুম থোক্লকপগী অরোইবা লৈখিরোই। ঙসিসু, ইমা লৈবাক মণিপুরগী ঙমখৈগী লান অমা, ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি নাগালেন্দগী লালহৌবা এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী ৱারোইশিনগী হাকথক্তা থোক্লবা য়ারিবসিনি।

মণিপুরদা ঙসি-ঙসিমক ওইরক্লিবা কোরোনাভাইরস লায়না-লাইচৎকী থাকসি কম্যুনেল ত্রান্সমিসনগী থাক য়ৌরে হায়বসি হায়দবা ঙম্লরোই। মায়কৈ অমরোমদনা, লায়নাসি থেংননবগীদমক মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী অপূনবা ৱাখল্লোন ঙসি ফাওবদা মমি তাবা উদ্রি। শুপ্নগী চিনবান্দা খক্তা কম্মেন্ট পীবদা মণিপুরগী অয়াম্বা পোলিটিসিয়নশিংনা কোভিদ-১৯গী মরমদা থৱায় য়াওবা মানহন্নরি। মনুংদনা মণিপুরগী পোলিটিসিয়নশিং, তঙাইফদনা পেন্দেমিক ওইরবা লায়নাসিগীদমক অমদি মণিপুরগী মীয়ামগীদমক খল্লগা অমগা-অমগা মত মান্ননা অমসুং পূন্না তাথোক-তাশিন তৌমিন্নদুনা খুমাঙ চাউশিন্না কোরোনাভাইরস লায়না লান্থেংনবগী মায়কৈরোমদা খোঙ থাংজিনমিন্নবা থেংনদ্রি। কোরোনা লাইচৎ মনুংদা লৈঙাক্কী চৌক্রিশিং মুন্থোক-মুনশিন তৌনবগী থৌদৌশিং মশীং খঙদনা চত্থরি। পার্টি মশেনগী মনুংদা নাকপাক কয়ামরুম তানদুনা অঙন্বা থাক্তা লুচিং-পুরেলশিং মুন্নবগী থৌদৌশিং লেপ্তুনা উনরি। ফীভমসিদা মণিপুরদা কোভিদ-১৯ মহীক্লা নোংম-নোংমগী মণিপুরগী মপান্দা নোংমতসু চৎলুদবা মীচম কয়ামরুম্বু মশীং খঙদনা কোরোনাভাইরস লায়না শন্দোক্লক্লি। অমুক্কসু ফীভমসিদা হেন্না লুশিনহল্লক্লিবনা, দিল্লিদা হৌজিক-হৌজিকমক এন এস সী এন (আই-এম) অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ৱারোইশিন পুরক্লবগী ৱারী মখা তানা শানবগী থবক খুমাঙ চাওশিন্না চঙশিল্লক্লি। থৌদৌসিনা নাগালেন্দ ষ্টেটকী লালহৌবশিং অমদি নাগাশিংগী ওইবা অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবগী থৌদৌমক ওইরবসু, থৌদৌসিদা মণিপুরদা লৈরিবা মণিপুরগী য়েলহৌমী ইচিন-ইনাওশিংগী অমত্তা ঙাইরবা ইন্টরেষ্ট য়াম্না চাউনা কায়হন্নবগী মমিশিং য়াম্না শেংনা তারি। ৱাফমশিংদু হৌজিকমক লাউথোকপমক নৎত্রগসু ৱারোইশিন্দুগী ফ্রেমৱর্ক মনুংদা শোয়দনা য়াওরম্বা য়াবগী মীপাইবদি চাউনা অদুমক পোক্লরি। ফীভমসিনি ইমা লৈবাক মণিপুরনা ঙসি থেংনরিবসি। হিয়াংগী ৱা লোইদ্রিঙৈদা তুম্বাগী শেল থৌজিল্লকই হায়বা ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা অরিবা পাউতাক্তুগী ৱাহন্থোক্তু ঙসিদি ইমা লৈবাক মণিপুরসিদা থোক্লরে। চেন্দুনসু হিংলরোইদবা, নান্থোকপা য়াররোইদবা থৌদৌশিং খক্তনা মাঙদসু লাং, তুংদসু তেন, মাঙ-তুং অনীমক্তা ঐখোয়বু চপশিন্দুনা থম্বীরি। তশেংনা হায়রগদি ফীভমসিদবু মণিপুরগী পোলিটিকেল লুচিংবশিং পূম্নমক্লা হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী পোলিটিকেলগী ফীভমসি ওইহনফম থোক্লিবরা? ফীভমসি মণিপুরগী পোলিটিসিয়নশিংনা মণিপুরবু অমদি মণিপুরগী মীয়াম্বু মথম্মোয় শেংনা নুংশিবগী খুদমদি ওইরম্লোই। লৈপুংনা শাবা ষণনবু মো হায়না খোংলকপা হৌনদে, পূম্নমক শাশিন্নবা ঙাক্তনি হায়বদু নোংম-নোংমগী লমদমসিদা ময়েক শেংনা উহল্লক্লি। মণিপুরগী য়েলহৌমী মণিপুরী ঐখোয়গী ফীভম হৌজিক্তি তশেংনা লুরক্লে। মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা পেন্দেমিক দিজিজ কোরোনাভাইরস লাইচৎকী খুদোংথীবশিং অৱাংলোমদসু, মখারোমদসু ঙমখৈ কায়হল্লকপা য়াবগী অমদি ঙমখৈ ময়েক শেংহল্লক্তবগী থৌদৌশিং ঙাক্তনা পীক থল্লকপসিদা ইরমদমসি অসুক্কী মতিক খুদোংথীনীংঙাই ওইরক্লে। ফীভমশিংসিদগী ঐখোয়বু ঙাকপীবা অমসুং কনবীবা ঙমগদবা, তশেং-তশেংবা থৌদৌশিংদু করি-করিনো হায়বদু ঙসিদি মণিপুরী ওইরুবা ঐখোয় খক্তনা থিজবা তারক্লি। মতমসিদা মীয়ামগী লুচিংবশিংনা কদায়দনো অমসুং মখোয়না ইরমদমসিগীদমক পাঙথোক্লিবা থৌদাংশিংদুনা কদায়-কদায়ৱাইদনো, ময়েক শেংনা উনীংলক্লি।

মায়কৈ খুদিংমক্তা ৱাথোক কয়ামরুম্না কোয়শিন্দুনা থম্বীরবা মণিপুরদা, মণিপুরগী চমজরবা মীয়ামসিনা ৱাখল তংদু-লৈতানা অমসুং পূক্লিং হকচাং অনীমক তপথনা, ঈংনা হিংবা ঙম্লক্কদৌরিবসি করম কান্দনো? ফীভমসি ৱাখলনা শাগৎপা নত্তনদি লমদমসিদা কৈদৌঙৈদসু খক ফংলরোই নীংই। এন এস সী এন (আই-এম) গী ঙমখৈগী ৱাফম লোইদ্রিঙৈদা, ম্যান্মারগী ঙমখৈদা অমুক, ঙমখৈগী যূন্বী মখোঙ হোংদোক-হোংজিন তৌবগী ৱাথোক্লা মণিপুরীশিংবু তত্তনা কোক শাহল্লি। কৈদৌঙৈদসু খক ঙমখৈগী লানশিং লেপখিরোই। ঙমখৈদা শম্বল পরিং নমখায়দুনা, হুরান্দুনা চেনশিল্লকপা মীতোপশিংনা মণিপুরগী য়েলহৌমী ওনশিল্লকপগী থবক ঙসিসু লেপ্তুনা অদুম্মক চত্থরি। কৈদৌঙৈনো লোইখিগদৌরিবসি খঙনদ্রি। তাঞ্জাসিদনি মণিপুরী ঐখোয়না নৌহৌনা কোভিদ-১৯গী লাঞ্জংসু কনশিল্লক্লিবসি। ঐখোয় খুদিংমক ৱাখল লৌশিং মাঙহনবা অমত্তা য়াদ্রি। মশীং থিঙমদ্রবা লানফমশিং মায় পাক্লা মায়োক্লখিবা মথৌ তাই। শুপ্নগী, লানফম খুদিংমক মায় পাক্লত্তুনা য়েক্লবশিংবু ময়েক শেংনা মায়থীবা পীবা ঙম্লবা মতুংদা খক্তা, মণিপুরগী য়েলহৌমী ঐখোয়না ইশানা শেমজবা ফিদাদা, ইশানা শাজবা মোনপাকথক্তা অৱা-পোত্থানদুনা নুংঙাইনা তূমখুন তানবা ফংগদৌরিবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।